# “ওগষ্ট ১৩না য়ৌরকপদা -!”



**– এল ইবোমচা –**

কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা বৃটিশকী মখূত্তগী নীংখা তমখিবগী ন্যু দেল্লী য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা চহী হেক খুদিংগী ইংলিস কেলেন্দরগী ওগষ্ট ১৫না লাকপদা ইন্দিয়ানা ‘ইন্দিপেন্দেন্স দে’ থৌরম পাক চাউনা পাঙথোক্লবদা মণিপুরসু শরুক য়াদুনা লাকই। নুমিৎ অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু জেনরেল হোলিদে লাউথোক্তুনা লৈঙাক্কী ওফিসশিং, স্কুল, কোলেজশিংদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহল্লি। নুমিৎ অসিদা মণিপুরদসু অচৌবা ফেষ্টিবেল অমগুম্না মণিপুরগী কাচিন-কোয়া মফম শিন-থুংবদা লৈরিবা লন্নাইগী অমদি লৈঙাক্কী লোয়শঙ খুদিংদা নেশনল এন্থেম ‘জন গন মন’ হায়না শৈহৌবা ঈশৈ শক্তুনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহল্লি। হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপা ওইনা অমনা অমদা অথুম-অহাও য়েন্ন-য়েন্নদুনা চামিন-থকমিন্নবা অমসুং হরাও কুম্মৈ তৌবনা মপূং ওইবা থৌরম ওইদুনা লাকই।

অসুম্না চহী কয়া চূপ্পা মণিপুরদা ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম হরাও কুম্মৈগুম পাক চাউনা পাঙথোক্তুনা লাক্লবা মতুংদা কদোমদগীনো খঙদে মণিপুরদা ওগষ্ট ১৫গী থৌরম পাঙথোকপা অসি দেল্লীগী পুঙলোন্দা জগোয় শাবনি, দেল্লীনা মণিপুর লোই চনবদা ঐখোয় পূম্নমক য়ারে হায়বনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লোন্না-লোন্না ঙাঙন-শক্লবা হৌরকখি। হায়বদি খৃষ্টকী মমাঙদগী নিংথৌরোল কয়ানা খূৎকন পাঙ্গলনা মনীং মখা তম্না অৱাৎ-অপা লৈতনা, য়াম্না ঈং-চিক্না চাকহোঙ-ঙাহোঙনা য়েক্লবা কয়াবু মায়থীবা পীদুনা লৈবাক ঙাক্লম্বগী অশেংবা পুৱারী লৈজরম্মী। মরৈবাকপু নুংশিজবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা লোল-ময়েক থন্বীরম্মী। লম্মীৎ-তুমিৎ, চাইনরোল, ঈশিং-নুংশিৎ, চৎন-কাঙলোন, অনা-অয়েক, মহৈ-মশিন, চাওখৎ-থৌরাংশিং লোইনা য়াৎতুনা থন্বীরম্মী। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবনা কংলাদা ফম্বাল কাবদগী হৌরগা ৭৬শুবা নিংথৌনি হায়নরিবা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা লৈবাক অসিবু করিদা শোয়খিগদগে হায়দুনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা পাল্লম্বা লৈবাক অমনি হায়বসিনি।

খৃষ্টগী ১৮১৯-১৮২৬ ফাওবা ইনিংথৌ মার্জিৎকী মতমদা চহী ৭ খুন্তাকপা থোকখি। লানফম অদুদা মীতৈশিং অৱাগী খূৎতা শাথীনা মায়থীবা নংদুনা অৱানা মণিপুর খুদুম চনখি। মদুদা ইরৈচাশিং অসি মথ্বায় হিংনবা মায়কৈ ফাংনা থংনবা লৈবাকশিংদা লাঞ্জেন্নখি। অদুবু মরৈবাকপু থৱায়দগী হেন্না নুংশিজবা নীংতম লাম্মী হেরাচন্দ্রনা ইরৈবাকসি মতম য়াম্না কুইনা মীখা পোন্দুনা লৈহনফম থোক্তে হায়না মাগী লাম্মী তেঙ্গোলনা অৱা লাম্মী কয়া-কয়া হাৎপা হৌরকখি। অদুগা চহী ৭ খুন্তাকপদগী কছার লৈবাক্তা চেন্দুনা লোৎখিবা ইনিংথৌ গম্ভীর সিংহসু বৃটিশকী মতেং লৌদুনা অৱা লাম্মীশিং তাম্থোক্লবা মাগী লমজিং মখাদা থৌনা ফরবা মীতৈগী লাম্মীশিংনা অৱা লাম্মীশিং অদুবু ইরায় লায়না মায়থীবা পীদুনা নিংথি তুরেল ৱাংমা লান্না তাম্থোকখিদুনা মায়থীবা পীখি। গম্ভীর সিংহনা অৱা লাম্মী মঙক কক্তুনা হাৎপদা শীজিন্নবা মাগী ঈ তৈরবা থাঙশাং নীংথি তুরেলদা চামখি। অদুগা নিংথৌ খুভম হঞ্জিনখিবা পুৱারীদা লাচন্দুনা লৈরি। মদুদগী মীতৈ লৈবাক বৃটিশনা ঙাক শেনবীবা লৈবাক অমা ওইরকখি। লোয়ননা মণিপুর খুন্নাইদা নাৎ-চৎনবীদা অমদি লৈঙাক্লোন্দা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনখি।

অৱা লান মতুংদা মণিপুর চহী ৬৫ রোম ঈংনা চিক্না লৈরুরবা মতুং খৃষ্টাব্দ ১৮৯১দা এঙলো মণিপুরী ৱার থোক্তুনা চহী ৫৬ মুক লৈবাক অসি নীংখা তম্বা মাঙলুরে। অদুবু মণিপুরগী অথৌবা-অথৌবীশিংনা মালেমদা নুমিৎ তাদে হায়নবা বৃটিশ সাহেব মঙা কংলা মাঙদা লুরেল কক্তুনা হাৎখি। মসিগী মতুংদা মণিপুরগী অথৌবা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলবু বৃটিশকী মথক্তা লান হৌবগী চার্জদা ইম্ফালগী ফৈদাপুংদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎপীখি।

বৃটিশনা খৃষ্টাব্দ ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫ নোংয়াই চবুক্তা মণিপুরবু নীংখা তম্বা পীরল্লবা মতুংদা ইন্দিয়ানা ইনিংথৌ বোধচন্দ্র মহারাজবু নমথাক তৌদুনা শিলোংদা কৌরগা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৭তা ইন্দিয়াদা তিন্নবা নমদুনা খূৎয়েক পীহল্লগা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা নল্লৌ লৌশিনখি। মরম অসিনা ইন্দিয়াগী ওগষ্ট ১৫ হায়না পাঙথোক্লিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে অসি ঐখোয়দা অরানবনি। ঐখোয়গী পুৱারীদা শুংলৈ লৈতবা থৌরম অমনি। ঐখোয়না মসি য়াওফম থোক্তে হায়দুনা মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিন-থুংনা চিবোন-চিবোন ঙাঙনবা হৌরকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসি মণিপুর পূম্বদা টোটেল সটদাউন হায়না লাউথোকপা হৌরকখি।

মসিগী মহুত্তা ওগষ্ট ১৩দা ওইনা মণিপুর মীয়াম্না মায় ওনশিনবা হৌরক্তুনা নুমিৎ অসিবু ‘অথৌবশিংগী নুমিৎ’ হায়না থৌরম পাঙথোকপা হৌরকখি। মরু ওইনা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৩না লাকপদা অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপদা ইম্ফালগী রুপ মহল থিএটরনা শান্নবা ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ’ দ্রামা উৎপা হৌরকখি। নুমিৎ অসিনবু লাক্লবদি লম্বী সড়কতা ‘পারী ইমোম শামু পাঙ্গলবশা!’ হায়রিবা ঈশৈ অসি মাইকতা থাদুনা খোঙলম্মী। ওগষ্ট ১৩ হায়নরম্বদগী ‘অথৌবশিংগী নুমিৎ’ হায়না লৈবাক মীয়াম হুপ্না খঙনরকখি। রুপমহল থিএটরদা শান্নবা দ্রামা বীর টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামাদুদা উখিবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেল শাবদু অশেংবা ওইদ-ওইরবোই নীংনদুনা দ্রামা য়েংবশিং মমিত্তা মপি তানখি। দ্রামা য়েংলুরগা থোক্লকপা মীপূম খুদিং পিরাং তৈথোক-তৈথোক্লদুনা থোক্লরকপা উরকখি।

মতৌ অসুম্না রুপমহল থিএটরনা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৩না লাকপদা বীর টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা লেপ্তুনা অসুম উৎলকপদগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেল অহিংবা মী ওইনা হিঙ্গৎলক্তুনা লৈবাক মীয়াম পূম্নমক মখোয় অনীগী মীতমদা কোক নোনবা হৌনরকখি। যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেল বৃটিশনা মঙক্তা থৌরীনা থুরগা হাৎখিবদা মসি করম্বা মখলগী চৈরাকনো হায়না, অনী তিন্নরে ঙাঙন, অহুম তিন্নরে ঙাঙনবা হৌরকখি। খরা অমনা হায়নরকখি হায় মদুদি- অসামগী কম্মিস্নর ক্বিন্টন অমদি বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট গ্রিমৱুদ য়াওনা বৃটিশ ওফিসর মঙা কংলা উত্রা মাঙদা মীতৈনা হাত্তোকখিবা মতুংদগী খোয়শাওনরবা বৃটিশ লাম্মীশিং মায়কৈ অহুমদগী মণিপুরদা লান্দারকখি। মায়কৈ অহুম অদুদি অহানবদা- কোহিমারোমদগী, অনীশুবদা- সিলচররোমদগী অমদি অহুমশুবদা- ম্যান্মাররোমদগী আর্মি তেঙ্গোল তেঙ্গোলনি।

লেপ্তুনা লাকপা পূন্সি খোঙচৎনা ঙসিসু অমুক য়ৌরক্লে কুমজা ২০২৫গী ওগষ্ট ১৩। নুমিৎ অসিনা লাকপদা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেল অনীনা মমা লৈবাক্কীদমক ফাঁসিগী শগাই কাখিবদু নীংশিংদুনা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু শীংথাদুনা মখোয়দা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মখোয়গী নীংশিং খুভম (মীতম) দা হৈ-লৈ কৎতুনা মখোয়গী মতিক ময়াই শীংথাবগী থবক তৌনবা ওগষ্ট ১৩গীদমক শেম শাদুনা লৈনরে।

বৃটিশশিংনা য়াম্না থীনা শাউখিবদি অসামগী কম্মিস্নার অমদি মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট য়াওনা বৃটিশ ওফিসর মঙা মীতৈনা তানা থিন্দুনা অমদি মঙক কক্তুনা তমথীনা হাৎখিবা অসিদগী অয়াম্বনি। মসি পূম্নমক বীর টিকেন্দ্রজিৎকী খুজিল থৌরাংনি খন্দুনা মহাক ফানবা হোৎনরকখি। অদুবু ফাবা ঙমখিদে। মতুংদা অরোনবা খুজিল থৌরাং অমা তৌদুনা ফারে, ৱায়েল চথুরে। শিবগী চৈরাক পীনবা য়াথং লাউথোক্লম্মী। শিবগী চৈরাক পীনবা য়াথং লাউথোরক্লবসু বৃটিশ ক্বিন ভিক্টোরিয়ানা ঙাকপীনবা য়াথং পীরক্লবসু য়াথং অদু ফংদবা শারদুনা ঙম্মী মতাগুম্না মতম অদুগী বৃটিশ ওফিসরনা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলবু মীনুংশি মচেৎ অমত্তা লৈতনা ওগষ্ট ১৩, ১৮৯১গী নুংথিলদা ইম্ফালগী ফৈদাপুং (মপাল কাংজৈবুং) দা লৈবাক মীয়ামগী মমাঙদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। নুমিৎতুগীনি ঙসি লৈবাক মীয়াম্না কুমজা ২০২৫গী ‘ওগষ্ট ১৩না য়ৌরকপদা’ নীংশিংনরিবা। ●

# চা কপ অমগী মহাউ-১

**– বি সী খুমন –**

ঐ অহল মতম ওইরক্লে হায়বসি মখোয় (মহীকশিং) ফজনা খঙবা জাৎনি। মথি ফোংবা হৌরক্লে, ঐ ফজনা ৱাখল তাই। মরৌ লৈখ্রবা কুকিগুম খুদোংচাবা লৌগদবগী মখোয় মপাঙ্গল কনখৎলক্লে। ঐ বোম তুনা নাবা অনাবসু নত্তে, ইমানা পোকঙৈদগী নারে কাইনা লায়েংশঙদা অমুক্তা পুখৎতে। অদুবু নহা ওইরিঙৈদা চীঞ্জাক্তা লম হেল্লুবগী, অহল-লমন্না ফত্তে তৌরুনু হায়বা খরা এদ্দিক্ট চুরুবগী মহয় চারক্কদৌরে হায়বসিদি ঐ ইথন্তা চেকশিঞ্জখি। চেকশিল্লিমতিক খাঙ-ঙমদবা অৱাবা লৈবদৌনা ৱাখলসি চরাংনহল্লি। য়ু, চুরুট, নম্বর ফোর, এন-টেন, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট চাবশিংনা ফত্তে খঙনা থাদোকপা/কাউথোকপা ঙম্নদ্রিবসি, ঙম্নবা পাম্বৈদি লৈবজাৎনি। ৱাখল, পূক্নীং লাকশিনবা ঙমদবশিংতনা এদ্দিক্ট চুহনবনি। আহ! ফত্তবশিংদা এদ্দিক্ট অসুক য়াম্না চুনরিবসি, অফবরোমদা এদ্দিক্ট চুরল্লবদি মণিপুরসি কনানসু লাকচ-খুদুম চনবা ঙল্লল্লোইদা, লাকচৈদা!

হৌজিক্তি ফত্তবা হায়বা মহীক্তুনা হকচাং শীন-থুংনা দোমিনেট তৌখ্রবা মহীক্কী মীনাই ওইরে ঐখোয়। লৌবুক্তা হুনবা মরূ-মরাং মরক্তা অদুক অনী-মরি-মপোপ-মতাং ফবা নত্তনা পূম্নমক শোইরোম্নবা হৌরকপা পাম্বীদু ঙাইরে। য়েংবদা পূমপেন হেক পেল্লে। মশানদি খঙদে হৌগৎলক্লিবা মণিপুরী অয়াম্বদি মী ওইখিদবা কুইরে। মীবুদি মানবা, ৱাখল খনববুদি ঙম্বা, অদুমকপু মী অমগী অচুম্বা মঙম ফূদোকপা ঙম্বা মণিপুরী মশীং থীবদা পঙলু-লুদ্রবনি। অঙৌবা চেঙ মরক্তা ফৌমান য়াওবা লায়না খঙবগুম অমা/অনী য়াওরকপা মতীং থোকপা অফবা মণিপুরীনা ষ্টেটসিগী ঈজৎ ঙাক্লিসি মতম কুইরে। কোটা সিষ্টমসি মীতৈদসু লৈরল্লবদি ফরকপু তারমগনি। মখোয়সিনি মনানা হৈমাং শাবা হায়নরি’সি, লাল্লোইদা।

নোংমা, কুইনা তিন্নরকপদগী হঙ্গোইনদ্রবা থাঙ্গাল কৈথেলদগী ইমান্নবা রামেশ জৈননা ঐঙোন্দা লৌশিং ওইবা ৱাহং অমা হংলকখি “মরুপ, অহল ওইনরক্লবনিনা অহলগী ৱারী শানসি, কায়দেকো?” ঐসু শৎ খুম্মী ‘হ্বাই নোট’। চা থক্না থক্না ঐনা খঙনীংনা হংলুই “রমেশ... নখোয় ইমুংগী চাসি সুম্মাইনা সুম থকপ্রা?” মানা নোক্লগা “কৈনো মরুপ য়াম্না হাওত্রবো!” “নো-নো ঙসিগী চাসিগী মহাউদা ঐদি পুমঙাও ঙাওরে...” মহাক লেপ্তুনা নোক্লি, ঐসু মঙোন্দা ঙক্না য়েংলি, মহাক নোকপা তোকখ্রে, য়াম্না তপ্না - ‘মরুপ পূন্সিসি অরোইবা লম্ফাংলবা লম্বেলদা চৎপা হৌরবনি অদোমসু-ঐসু। খঙগেসু খন্দবা, ৱাখলনসু লাম্লুদবা-চম্না লেঞ্জবগী পূন্সি শুকথা হেক থাদোকচদবা ফূরুপ কনানো হায়রদি ঐদি মরুপকী ফূরুপ, মীতৈনি হায়জগে”। ঐ পিং লাউই, শাওনীংবগী নত্তে, ইকায়বগী ওইরমগনি। নন মণিপুরী অমনা মণিপুরীশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফিদা চাউনা কল্লি খঞ্জরিবা মীতৈ ঐঙোন্দা ৱাখল চাম্মা-চাম্মা খলহনবা য়াবা ৱাহৈ অসিনা ঐ লৈতাহন্দ্রে। মানা ইনাক নক্না চঙশিল্লক্লগা - “দোন্ট মেক অন্নদর সেন্স ফ্রেন্দ, মরুপ্না চাগী মহাউ পল্লকপদা ঐ ঙসিদি মরুপ্তা শাংলবা ৱারী অমা লীগে খল্লকপনি। ঐ মরুপ্তা নত্তনা মীতৈ ফূরুপ পূম্ববুসু ইকায়খুম্নজে, ঐনা লাল্লি হায়রদি - ঐবু ঙাকপীয়ু মরুপ!”

মহাক্কী ৱারী হৌরকখি-

“ঐখোয়গী ফোরফাদরশিংগী হৌরকফম রাজস্থানদগীনি। হৌজিকসু মফমদুদা ঐখোয়গী য়ূম-ইঙ্খোল অদুম চাউনা লৈনরি। ঙসিদগী চহী দিকেদ ৮/৯গী মমাঙদগী ঐখোয়গী অহল-লমনশিং বিজিনেশকীদমক ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা মথং-মথং তংদু লৈতানা বিজিনেশ তৌফম থিরকপদা লমদমসিদা সেট্টল তৌখিবনি হায়। লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎ, মীওক-মীচান কূপ্না নৈনরবা তুংদা লমদমসিদা লল্লোন-ইতীক তৌবা কান্নগনি খন্দুনা সেট্টল তৌখিবনি হায়। ঙসিদি য়াম্না মায় পাক্লবা বিজিনেশমেন মশীং খঙদনা লৈরে। অদুবু ঐ ইথন্তনদি হংজরি, ঙসি মীতৈ অমত্তনা ঙসি ফাওবা ঐখোয়গী বিজিনেশসিদা চেলেঞ্জ তৌরকপা থেংনদে, মসি করিগীনো? ঐ খঙই, মীতৈ থবক শুবদা চোকথবা নাইদবগী থৌনা লৈ, লৌমীনি, শিন্মীনি নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীনি। অদুবু লল্লোনবগী ৱাখলদি য়াওদে। হৌজিকপুদি মফম্না-মতম্না মীতৈসু লল্লোন ইতিক্কী ৱাখল মচা-মচা খন্নরক্লে। তপখ্রেদা মীতৈগী চাওখৎপগী লমজেলসে।” ঐসু ইথন্তা খঞ্জরকই মীতৈমুক মপুক্তা কল্লক-খন্বনবগী ৱাখল চেন্দবা ফূরুপ অমা মালেমদা লৈরল্লোই। অরৈবা খরনা পেন্থোকপা ঙম্বা মীতৈ ওইরল্লে। মসিদি অফবা নৎত্রে, “খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈদা ষণনা ৱাই” হায়দুমক্লি।

মীতৈ খুদীংমক্কী চৎনবী ওইরবা অপাম্বনি, মচাশিং মহৈ-মশিন তমহনবা, লৈঙাক্কী তোলোপ চাবা থবক তৌহনবা, মচাশিংদা কা হেন্না চাদিং তৌদুনা, থাজবা অমনা লমজিংখিবা। লাইবক ফবা খরদি নীংবা থুংলম্বসু য়াই অদুবু অয়াম্বা মমা-মপাশিংদি শেলদা পঙতিং তিংলগা অফবা মচা ওইখিদবা কোকথোং অমা লৈরি। মহৈ তল্লুচো, মী অমা ওইনবা হোৎনৌ হায়রগা ঙাওশিন্নবা, খদ্রক-মদ্রক তল্লগা থোরকপা কোকথোং-কোকথোং লৈরি। ৱাফমসিদা মরুপ মহেশ জৈননা হায়খিবা ৱাহৈশিংদুবু... “মরুপ লমদমসে মণিপুরনি - উ থানিদি খঙলগা উ হৌহনগদবনি হায়বগী কোক য়াওদবা ফম্নাইবশিংগী লাহরৈবাক্লি। মখোয়সুনি, অফবা মচা-মশু অমত্তা য়াওদবনি। করপসনগী ঈপাক্তা ইরাক্লরিঙৈ মচাগী মহৈ-মশিনগী ৱাফম খন্দে। য়ূমগী নুপীনা কৈদৌনি-সনা লুপাগী হিসাব ফাওবা খঙদবীনি।

চুম্মী, শেল-থুম, সনা-লুপা পৈদুনা লৈরবী মীতৈ নুপীশিংগী নাপল অঙকপগী মশক্লি। মশানা ৱানা তানবসু নত্তবা, নুপানা মফম খঙদা শেল পংপুদা পুশিল্লক্লগা কদায়দগী শেলয়াম্লো নোংমতসু হংদবী মীতৈ নুপী খরগী তুংগী পোলোই লীলা সিনেমাদা উনরিবসি অশেংবা য়াওবননি। হায়নীংলকই - “পাপকী শেলদি পাপনা অদুম্মক তুমহনখিনি”। মমা-মপানা চীংমুক ৱাংনা পৈদুনা থনম্বা লন-থুম মচা-মশুগী হাক্তক্তা মফম খঙদা তুমখিবা লৈকায়-লৈকায়দা অদুম লৈনৈ হায়নৈ। ঐখোয় লৈকাইদসু লৈ, ঐসু খঙই। ৱাফমসিগী মতাংদা মরুপ মহেশ জৈননা তেন্তক্লা থল্লকপা ৱাহায়দুনি ঐনা মীৎ লাওথোক্তুনা য়ানীংখিবা,

‘মরুপ, হিংবদা শেল চঙই, অদুবু মীতৈ অয়াম্বদি শেলগী ভেল্যু খঙদ্রি হায়জনীংই। ঐখোয় ফূরুপকিদি খুদীংমক্কী ভেল্যু মুন্না খঙদবা য়াদে। অপীকপা ঈশিং ঈরিক্না পাক চাউখ্রবা সমুদ্র শেমখিবনি’ হায়বা পাউরৌসি ঐখোয়গীদি কাউদনবা ঈগী ঈচেলদা তিলহনখিবা কুইরে। এনিৱে-ৱারীসি তেনশিল্লসি - ঙসাইগী চাগী মহাউদো, মদুসু বিজিনেশনা পীরকপা মহয়নি। মরুপ, ঐখোয়না নুংতিগী চারিবা চাক, এঞ্চাং, থক্লিবা চা, কোফি, শঙ্গোম ঐখোয়দি খ্বাইদগী ফবদু চারগা হকচাং নাদ-য়েক্তনবা হিংজবনি। মরুপহোয়দি খঙদে - হৱাই ফাওবা গ্রেদ ৱান-টু-থ্রী খায়দোকপনি। কৈথেলদা য়োল্লিবশিংদা খ্বায়দগী শীৎপসি লমদমসিদদি মমল খ্বাইদগী হোঙবা গ্রেদ-থ্রী-ফোরগী পোৎনা ওইরি। মসিদি ঐখোয়সু ৱাখল তাদে। অফবা অহাওবশিং মমল তাঙই, চারুনু হায়বা লমদম ওইনা তৌই। (মখা চথ্থজরকখিগনি) ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## সেন্সস ২০২৭ - সনামহী লাইনীংগী ফিদা ফংগদৌরিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইন্দিয়ানা নীংখাতম্বা মতুং সেন্সস ওফ ইন্দিয়া এক্ট, ১৯৪৮গী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনা রিগ্যুলর সেন্সস ১৯৫১দা পুথোকখি অদুগা ইকোন কোনবা সেন্সসনা ২০২২দা পাঙথোকখি। লাইবক থীবদি পাঙথোকখিবা সেন্সস খুদিংদা মীতৈ ইফূরুপকী হৌরকফম লাইনীং ওইরিবা ‘সনামহী লাইনীং’ বুদি সেন্সস ইনুমরেশন তৌবদা রিলিজনগী মপাদা লাইনীং অসিবু হাপচিনবগী খুদোংচাবা ফংদদুনা লাক্লি, নমথবীরগা থম্বীরি। থৌশিল অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না কন্সটিট্যুশন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২৫দা পীরিবা রাইট টু ফ্রীদম ওফ রিলিজনবু খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌফম থোক্তব্রা। খল্লুবদা থৱায় অসি ওন্থোক্না চাকইদা।

অরোইবদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা মরু ওইনা দিরেক্টর ওফ সেন্সস ওপরেশন্স, মণিপুরগী মফমদা থমজনীংবা ৱাফমদি-২০২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা সেন্সস অসিদদি ‘সনামহী লাইনীং’ বু শকখঙবীদুনা রিলিজন কলমদা হাপ্পা য়ানবা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং মতম চানা পায়খৎপীনবা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। মীতৈ ফূরুপচাশিংদি মশাগী লাইনীং-লাইশোন লৈজবা, ইয়েক-ইরোল লৈজবা ফূরুপ অমনি হায়না চাউথোকচরিবনি। ইশাগী হৌরকফম লাইনীংবু ঙাক্তুনা থম্বনা ইশাগী ফূরুপ্পু শক্তাকচনবগী, কন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়জনীংই।

**অদোমগী- নহাকপম সনাতোন মঙাঙ, ইম্ফাল**

## লাইনীংহল ফুলো থাজবনা মান্নবা অপূনবা পুরক্কদবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীতৈ অহলনা হায়, মীওইবদা লাইনা পীবা খুদোল ৱাখল লৌশিং শীজিন্নদুনা তাইবঙগী মীৎনা উরিবা অচৎ-চত্ত, লেংলি পাল্লিবা পীকপা-চাউবা খায়দনা মখোয়দা থাজবা থমগদবনি। মদুততা মীওইবশিংনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবদা থোইদোক্না অপনবা-অয়েৎপা ওইরোই। অহলশিংগী ৱাহৈশিং লাইনদা থাবা ওইবনা মসিদগী হেন্না চুম্বা মালেমদা অনী শুরিরোই। থাজবনা মাঙদা থা ইকায়খুম্নবা নুংশিবনা তুংদা ইন মীওইবনা মান্নবা ৱাখল্লোন অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎলিদো।

মথক্তা পঞ্জখিবা ৱাফমদা যূস্ফম ওই মালেমগী মীওইশিংগী কাঙলূপ ফূরুপ পুনবগুম সনামহী পাখঙবা লাইনীং নীংজরিবা শোঞ্জরিবশিংগীদক্তদি লাইনীংহল ইবুংঙো নাওরিয়া ফুলোদা খুদিংমক থাজবা থম্বা মদুগী মতুং তারকপদা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়গী থম্মোয়দা মান্নবা ৱাখল্লোন লাক্কনি। লাইনীংহল ইবুংঙোদা লাইনীংনা মরম ওই থাজবা থল্লবা ঐখোয়গী অপূনবগী পাঙ্গলদি শোয়ফদ্রবা ৱাফম্নি।



অরাইবদা অরুবা লৈ হায়নবগুম ঐখোয়গী অপুনবগী পাঙ্গল অমখক্কীদমক্তি লাইনীংগা মরী লৈনবদা লাইনীংহল ইবুংঙোদা ঐখোয় খুদিংনা থাজবা থম্বা অমদি থমদবগী মখা পোল্লি। লাইনীংহল ইবুংঙোদা থাজবা থম্বগী মতাং/মরমদা পাবীরিবশিংনা হেন্না খঙবীরবনি। অদু ওইরগসু ৱাফম খরদং :- কাইবরোল পুয়াদা “নোংচুপলোমগী শাগৈ অরিবনা তীঙথোঙ লাইথোঙ খঙনা নোংদন নোঙখাইরগদবনে” মীতৈ লমচৎতা অরিবা অমুরক হঞ্জিল্লগদবনে ইঙেন-থৱান থা শাগৈ সলাই তরেৎনা মাগী মাগী খুভমদা হঞ্জিনবা হৌরগদবনে।” পুয়া অসিদা ইবিরল্লিবা মতিক ময়াই চেনবা মীশক অসি মীওইবা ওইরগসু মালেমগী তাইবঙ মীওইবা খুদিংমকপু অখন্নবা সনামহী পাখঙবা লাইনীং চৎচরিবা, শোঞ্জরিবা অমদি থাজরিবশিংবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীনবা হোৎনবদা অৱাবা অকিবা ঙমখৈ লৈতনা চৈথেং ফংখিবা লাইনীংহল ইবুংঙো নাওরিয়া ফুলোনি। মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাই অসিগী মীওইবা ওইনা পোকখিবশিংগী মরক্তগী হৌখিবা মতমগী ঙসিগী অমদি লাক্কদৌরিবা চারোল শুরোল কয়াদগী ইবুংঙো মহাক্তগী হেনবা মীওইপোক অমত্তা পোক্লরোইদবনি।

ৱাফম অসি মীওইবা মপোক অমা ওইনা পোক্লকপা ঐখোয়গী ইরক্তগী হায়বা নত্তে। লাইনা হায়রম্বনি। লাইনা হায়রম্বা হায়বা ৱাফম্বু ককপা ঙম্বা মীওইবা অমত্তা মালেমদা ঙসি ফাওবা পোকখিদ্রি। অচুম্বগী পনখৈ য়ৌখ্রবা য়ৌরিবা চীংঙু মায়চৌশিং অদুনা হায়রম্বা ৱাফম্বু মীওইবগী মপোক শুরোল ঐখোয়না পুয়া লাইরিক অরিবদা ইরম্বা ঙসি ফাওবদা চুমদুনতা লাকখি, লাক্লি হায়বসি খঙদবা মীওইবা কনাবু ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওরিবরা? য়াওরল্লগদি, মীওইবা মহাক অদু লাইনীং হায়বসি করিনো, লাইনীংগী ৱাহন্থোক খঙদ্রিবা মহাক্লি।

ৱারৌবীগনু, শাওবীগনু, চিংনা পরৈ থাংবীগনু। অদুগুম্বা ঐখোয় মীওইশিং ইপা-ইপু মশক খঙদবা তাগনি। মীওইবা ওইনা লাইনীংহল ইবুংঙো নাওরিয়া ফুলো লাইনীংগা মরী লৈনবদা ইবুংঙো মহাক্তা থাজবা থম্বা ঙমদবা হায়বসি ঐহাক, মহাক, নহাক, ঐখোয় খুদিংমক খঙদবশিংগী মনুং চনখিবা শোয়দ্রবা ৱাফম্নি। মান্নবা ৱাখল্লোন মালেমদা মপূং ফানা মশক ইশক তাক্লবা মান্নবা ৱাখল্লোন অমগীদমক ঐখোয় ইরক্তগী মতিক ময়াই লৈরবা থোইদোক হেন্দোক্না ঐখোয় খ্বাইদগী মীথোই-মীহেনবা লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো ইবুংঙো মহাকপু ইকায়খুম্নদুনা মহাক্তা ঐখোয় খুদিংনা ইবুংঙো মহাকপু থাজবা থল্লসি। মালেম ইমানা য়াইফরে।

**অদোমগী - অহন্থেম ইরাবত মীতৈ**
**খুরাই থোইদিংজম লৈকায়**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৯গী ৱাহং

১) “থাংজম স্বরূপচান্দ সর্দার সঙ্গীতরত্ন” হায়বা ৱারেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপা ৱারেংনি। ৱারেং অসিগী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) “অরক্ষনীয়া” হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমসুং মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং ইয়ু।

৩) “ঈথক্কী মথংদা ঈপোম” হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

৪) “থৱান থানা লাকপদা
লৌবুক্কী ঈশৈ শকচরে
ফৌনাগী জগোয় য়েংজরে
ঐসু ৱাখল হোংজরে।”

লিরিকেল পোইম অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু?

৫) “মণিপুর কৌবী ইমা ও” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।